# মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা নুমীৎ ১৫নি চুপ্পা চথ্নগদবা স্বছতা পখ্বারা ২০২১গী থৌরম হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচ এন এস): এক ভারত শ্রেস্থা ভারত (ঈ বি এস বি) সেল অমসুং উন্নত ভারত অভিয়ান (য়ু বি এ) সেল, এম য়ুনা শীন্দুনা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা নুমীৎ ১৫নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা স্বছতা পখ্বারা ২০২১গী থৌরম য়ুনিভর্সিটি অসিগী ত্রাফিক আইলেন্দদা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর এন লোকেন্দ্রনা চীফ গেষ্ট, দিন ওফ ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়র, এম য়ুগী ডা. এল বিশ্বনাথ শর্ম্মনা স্পেসল গেষ্ট অমদি নোদেল ওফিসর ঈ বি এস বি এন্দ য়ু বি এ সেল, এম য়ু ডা. সী ঐচ ইবোহলনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী ৱাহৌদোক ওইনা দিপার্টমেন্ট ওফ পি ঈ এস এস, এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. এল সন্তোশনা ৱেলকম এদ্রেস পীখিবগা লোয়ননা পাঙথোক্লিবা থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোলসু পীখি।

থৌরমদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ভাইস চাঞ্চেল্লর লোকেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ঈ বি এস বি সেল অমসুং য়ু বি এ সেলনা শীন্দুনা স্বছতা পক্বোরা ২০২১ পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিমক য়াম্না লাইবক ফবনি। লৈবাক অসিবু বৃটিশ লোয়লমদগী নীংতম্লবা হোৎনরমখিবা মহাত্মা গান্ধীনা মঙজরম্বা মঙলানদি ইন্দিয়ানা নীং-খা তম্বা অদুখক্তা নত্তে। মহাক্কী পান্দমদি লৈবাক অসিবু তরু-তনান্না থম্বা অমদি অতোপ্পা লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদা হেন্না চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবনি। হৌগৎলক্লিবা মীরোলশিংনসু লমদম অসিখক্তা নত্তনা লৈবাক অসিবু লূ-নান্না থম্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি। থবক অমা তৌবা মতমদা অতোপ্পগা কৈদৌনুংদা চাংদম্ন রোইদবনি। ইশানা তৌরিবা থবক অদু মায় পাক্নবা হোৎনগদবনি। মায় পাক্লবা মতুংদা অতোপ্পা ইনখৎলক্লিবা মীওইশিংদা অমুক মায় পাক্নবগী লম্বী তাক্তুনা খূদিংমক মায় পাকপা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। লূ-নান্না লৈবা হায়বসি খূদিংমক্না পাম্নবা অমনি। অদুবু থবক ওইনা ওন্থোক্নবা হোৎনবদদি মপুং ফানা মায় পাকপা হায়বদু ওইদ্রি। ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগী মনুং চন্না য়ুনিভর্সিটি কেম্পস মনুংদা উ পান্বী কয়া থানবা থৌরাং তৌবা লোইরে। কেম্পস মনুং খক্তা নত্তনা য়ুনিভর্সিটিগী এদোপটেদ ভিলেজ শিংদসু উ পান্বীশিং পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা থাগনি হায়খি।

থৌরমগী মখা তারকপা ওইনা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা ডা. সী ঐচ ইবোহলনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এন এস এস সেলগী য়ুনিট অনীনা য়ুনিভর্সিটি কেম্পসকী অকোয়বগী ফীভম তরু-তনান্না থম্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগী মরুওইবা পান্দমসু য়ুনিভর্সিটি কেম্প অমদি অকোয়বগী ফীভম লূ-নান্না থম্বা অমদি অশংবা মণিপুর অমা ওইহন্নবা হোৎনবনি। ঙসি পাঙথোকখিব থৌরম অদুগী লোইশিল্লকপদা দিপার্টমেন্ট ওফ কম্মর্সকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. কে এস ঐচ রঞ্জননা থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা খূদিংমকপু থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোকখি।

## এমিপোগী ৪১শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর য়ং পাইওনিয়র্স ওর্গনাইজেসন (এমিপো)গী ৪১শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদরেসন, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলনা য়াইফ-মঙ্গল পীবগা লোয়ননা ভর্চ্যুএল ওইবা মওংদা মপোক কুমওন থৌরম মণিপুর শিনবা থুংনা পাঙথোকখ্রে হায়না ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদরেসন, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি কে ঐচ হিমালয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এ আই ৱাই এফনা অঙাংশিংগী ওইবা পাইওনিয়র্স ওর্গনাইজেসন অসি কুমজা ১৯৮০গী ওগষ্ট ৩১দা ইম্ফালগী বিটি রোদতা লিংখৎখি। অঙাংশিংবু অফবা চাউখৎপা খুন্নাই অমগীদমক মাঙদা পুখৎতুনা মীয়ামগী থৌদাং লৌবা হৌখি। বুক্কিষ্ট নোলেজ খক্তং নত্তনা খুন্নাইগী থবক পাঙথোকখি। শাংলবা চহী ২৫গী পুৱারী অমা এমিপোনা শাগৎখি। অঙাংশিংদা সাইন্টিফিক আউটলুক নীংথিনা পাক শন্না শন্দাকপা ঙমখি। প্রাইভেটাইজেসননা চাহৎলবা এদ্যুকেসন্দগী কন্নবা মখোয়দা ষ্ট্রগল ফাওবা চঙশিনখি। লাইরিক্কী মমল তাঙহন্দনবা, ফ্রি এদ্যুকেসন ক্লাস টুয়েল্ব ফাওবা তমহন্নবা কন্না হোৎনখি। মতম অদু ঙসিগুম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন অমা অনীদগী হেন্না লৈরমদবনা এমিপোনা মহৈরোয়শিংগী প্রোব্লেম কয়াদা থৌদাং লৌরম্মী।

চেরোল অসিনা হায়, অদুঙৈ য়ু এস এনা ইরাকতা বোম্বিং তৌরকপদা কল্লবা মেম্বর লিশিং কয়া থোক্তুনা ইম্ফালদা ওপোজ তৌবা রেল্লি চৎখি। মণিপুরগী ডোক্তর অহল-লমন, তমখৎলক্লিবা কয়াসু য়াওনা রেল্লি অদু চৎখি। অঙকপা এমিপোগী হিষ্ট্রি ওইখি। অদুবু ঙসিগী হোংলক্লিবা খুন্নাইগী মওং অসিনা করপসনদা য়াঙনা চৎখিবনা পাইওনিয়র মচা কোকপা ৱারক্লে। নমথবীবা হেল্লক্লে। অদুবু এক্স পাইওনিয়র কয়া ঙসিদি ওফিসর, শক্লাইরবা মীশক কয়া লৈরে। মখোয়দি ঙসিসু এমিপোবু য়ং পাইওনিয়রবু কাওদ্রি। মখোয়না ঙসিগী চহী ৪১শুবা কুমওন লাকপদা মখোয়গী পাইওনিয়র্সগী ঈশৈ ৱি সেল ওভর কম সম দেজ হায়না ঈশৈ শক্লক্লি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

## কোভিদকী অহুমশুবা ৱেভ থেংনবদা মতেং পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচ এন এস): সেৱা কনাদা য়ু এসকী স্পোন্সর মখাদা সেৱা ভারতি মণিপুরনা ঙসি ককচিং কৈথেল, এল আই সী আই পরেংদা লৈবা ইমা হোস্পিটাল ককচিংদা কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভ থেংনবদা মতেং ওইনবা মল্টিপরা মোনিটর ৫, সক্সন পম্প ৮, মোবাইল ঈ সী জি মেছিন ১২ চেন্নেলস ৫, অম্বু বেগস ৭৫, ফোগ্গর মেছিন ৫ অমদি পলস ওক্সিমোরা ১২ মতেং পীখ্রে।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থেংনবদা মতেং ওইননবা তেংবাঙ পীখিবা অদুগা মরী লৈননা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) মণিপুর প্রদেশকী এক্স-সর্ভিসমেন সেলগী কনভেনর লাইশ্রম রামেশ্বরনা ফোঙদোরকপদা, সেৱা কনাদা য়ু এস অমদি সেৱা ভারতি মণিপুরগা পুন্না খুৎশম্নদুনা থবক্তগী পোত্থারবা লেফটনেন্ট কোলোনেল এল নিশিকান্তগী ইনিসিএটিভ মখাদা কোভিদ-১৯গী মীপায়নিংঙাই ওইরবা লাইচৎ অসিগী অহুমশুবা ৱেভ লাক্লবদি মদু থেংনবদা মতেং ওইননবা পীজবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা মরী লৈননা ককচিং এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক ককচিং এ সী অমদি মণিপুরগী মফম কয়াদা কোভিদ-১৯না নাবগী চাং হন্থরক্তুনা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং থোঙ লোনবা হৌনরক্লে। মীয়াম্না হান্নগী নোর্মেল লাইফতা হৌননবা লৈঙাক্কী ওফিসশিং, দুকানশিং অমদি কম্মর্সিএল ইন্টরপ্রাইজেসশিং হাংবা হৌনরে। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লীচিং মখাদা লৈঙাক অসিনা মীয়ামদা খুদোংথিবা থোক্লক্কদবা লায়না-লাইচৎশিং লাকপদা থেংননবা হোৎনগনি। ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু ওক্সিজেন প্লান্ট অমা সী ঐচ সী মনাক্তা শেমগৎলিবা অসিসু অথুবা মতমদা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা শঙ্গারগনি হায়খি।

তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু ককচিং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বর অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী এক্স-সর্ভিসমেন সেলগী কনভেনর লাইশ্রম রামেশ্বরনা ইমা হোস্পিটালগী ষ্টাফশিংদা খুৎশিন্নখি।

## নীংশিং থাবুম থৌরম হৌদোকখ্রে,

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচ এন এস): তেন্থা মখা লৈকায় য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (টি এম ৱাই দি ও), তেন্থা খুঞ্জাও মখা লৈকায়না শীন্দুনা ঙসিদগী লময়ানবা ইরাতত নীংশিং থাবুম থৌরম হৌদোকখ্রে হায়না টি এম ৱাই দি ওগী সেক্রেটরি নাওরেম মালেমঙানবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সোসল সর্ভিস অমদি কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবগীদমক তেন্থাগী খুঞ্জা ৬০০ লোমদা অর্সিনিক এলবম-৩০ য়েন্থোকপগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ক্লব অসিগী এদভাইজর মাইবম প্রেমোজিৎ, প্রসিদেন্ট নাওরেম নাওচা, সেক্রেটরি নাওরেম মালেমঙানবা, সোসল এন্দ কলচরেল এক্টিভিষ্ট রাকেশ নাওরেম অমদি ক্লব অসিগী থৌমী কয়ানা শরুক য়াখি।

লময়ানবা ইরাবতকী ১২৫শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ইরাবত নীংশিং থাবুম অসিগী মনুং চন্না লময়ানবা ইরাবতকী মীতম খিনবা, উপান্বীশিং থাবা অমদি ইরাবতকা মরী লৈনবা অতৈ থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা টি এম ৱাই দি ওগী এদভাইজর মাইবম প্রেমোজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, লময়ানবা ইরাবতনা লৌরম্বা শীংথানিংঙাই ওইবা থবক থৌরম কয়া অদুগী ৱাখল্লোনশিং অদু হৌরক্লিবা নহাশিংদা শন্দোক্নবগী পান্দমদা ইরাবত নীংশিং থাবুম থৌরম পাঙথোকচবনি।

থৌরম অদুদা স্পেসল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা সোসল এন্দ কলচরেল এক্টিভিষ্ট রাকেশ নাওরেমনা হায়খি, লময়ানবা ইরাবতকী মীতম অমা ইরাবত নীংশিং থাবুম থৌরমসিগী মনুং চন্না টি এম ৱাই দি ও ক্লব অসিগা খুৎশম্নরগা ক্লব অসিনা কোনবা মফম অমদা খিন্ননবা থৌরাং হৌরে হায়খি।





2021-22
ONLINE ADMISSION
OPEN

Most conducive learning school through Online-Class using futuristic digital cloud based database.

2020-21 Manipur Top Ranking School
- Education World Journal.



Scan here for Admission
SALT VILLAGE, KHONGJOM
MANIPUR-795148, INDIA
www.slopelandpublicschool.com
Ph:09615965922, 09856835024, 09615520109
Email: slopelandpublicschool@yahoo.com

POST VACANCY

Applications are invited from the eligible candidates for the following Post on the plain paper with Bio Data.

| Sl No. | Name of Post | Qualification | No. of Post | Last date of application submission | Date of Interview |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | PGT in Fine Arts | MFA/MVA | 02 | 14th Sept. 2021 | 15th Sept 2021 |
| 2 | TGT in English | MA/BA English | 02 | | |


HL-P/6917/2, 3


লৌশিং পুক্কে

# তূম্বদা মঙ মঙবগী তাঙ্কক

## করিগীদমক অসুক য়াম্না মরু ওইরিবনো

তূম্লিঙৈ মতম হায়বসি ৱাখল মাঙবা (অনকন্সিয়স ওইবা)গী খুদোংচাদবা অমা লৈজরগসু, মীওইবা য়াওনা শা (এনিমেল) খুদিংমক্না তূম্লিবসি করিগীনো হায়বা ৱাহংসি সাইন্টিষ্টশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী খঙনীংদুনা লাক্লিবা ৱাফম অমনি। হৌজিক য়ুনিভর্সিটি ওফ সুকুবাগী টিম অমনা লুচিংবা রিসার্ছরশিংনা য়াম্না পুক্লিং চিংশিন্নিংঙাই ওইবা ৱাফম অমগী অনৌবা ইভিদেন্স থেংনখ্রে। মখোয়না থেংনখিবা অদুদি, ঐখোয়না তূম্বা মতমদা মঙ ময়াম অমা মঙলিবা রেপিদ আই মুভমেন্ট (আর ঈ এম) কৌবা তূম্বগী অকক্নবা ফেজ অমগী মনুংদা ঐখোয়গী ব্রেন অসি রিফ্রেসিং তৌই হায়বা অসিনি।



মমাঙদা চথখিবা ষ্টদিশিংনা তূম্বগী আর ঈ এম মতম, আর ঈ এম নত্তবা তূম্বগী মতম অমদি মীকপ থোক্লগা লৈবা মতমশিংদা ব্রেনদা লৈবা ঈগী ঈচেলগী খেন্নবশিং তোঙান তোঙানবা মেথদশিং শীজিন্নদুনা ওনখ্রে (মেজর তৌখ্রে), মদুদা মান্নদবা মখলগী রিজল্টশিং ফংখি। সুকুবানা লুচিংবা টিম অসিনা মখোয়গী খ্বাইদগী অনৌবা ষ্টদি অসিদা উচিশিংগী ব্রেন কেপিল্লরিশিংদা মখোয়না তূমদুনা লৈরিঙৈ মনুং অমদি মীকপ থোক্তুনা লৈরিঙৈ মনুংশিংদা রেদ ব্লদ সেলশিংগী মুভমেন্টপু হকথেংননা ভিজুলাইজ তৌনবা টেক্নিক অমা শীজিন্নখি। ব্রেন কেপ্পিলরিশিং অসিদা ব্রেন সেলশিংগা ঈগগী মরক্তা ন্যুট্রিএন্টশিং অমসুং ৱেষ্ট প্রদক্টশিং শিন্নবা (এক্সচেঞ্জ তৌনবা)গী থবক তৌরিবনি।

ষ্টদি অদুগী সিনিয়র ওথর প্রোফেসর য়ু হায়াশিনা হায়খি, ব্রেনগী ব্লদ ভেসেলশিং অসি ফ্লোরেসন্ট লাইটকী মখাদা উবা ফংহন্নবগীদমক টু-ফোটোন মাইক্রোস্কোপি হায়না খঙনবা টেক্নিক অমগী মতেংনা ঐখোয়না দাই অমা শীজিন্নখি। অসুম্না তৌবা অসিনা অনেষ্থেসিয়া থাদবা উচিশিংদা নিওকোর্টেক্সকী কেপিল্লরিশিংদা লৈবা রেদ ব্লদ সেলশিংবু হকথেংননা ওবজার্ব তৌবা ঙমই হায়খি।

রিসার্ছরশিং অদুনা আর ঈ এম, নোন-আর ঈ এম অমসুং মীকপ থোকপা মতমশিং মশক খঙদোক্নবগীদমক ব্রেনগী ইলেক্ট্রিকেল এক্টিভিটিসু ওনখি (মেজর তৌখি), অমদি হায়রিবা ফেজশিং অসিদা লৈবা ব্লদ ফ্লোশিংদা অহোংবা লৈবরা হায়নসু য়েংখি।

প্রোফেসর হায়াশিনা হায়খি, রিজল্টশিং অদুনা ঐখোয়বু অঙকপা পোকহনখি। আর ঈ এমগী তাঙ্ককতা তূম্লিঙৈ (আর ঈ এম স্লীপ) মনুংদা ব্রেন কেপিল্লরিশিং ফাওদুনা য়াম্না য়াম্বা চাংদা রেদ ব্লদ সেলশিং চেনবা থেংনখি, অদুবু আর ঈ এম নত্তবা তূম্বগী (নোন-আর ঈ এম স্লীপ) তাঙ্কক অমসুং মীকপ থোক্লিঙৈ মতমগী তাঙ্কক অসিগী মরক্তদি খেন্নবা অমত্তা লৈখিদে, ফিভম অসিনা তূম্বগী আর ঈ এম তাঙ্কক অসি য়ুনিক ওইবা তাঙ্কক অমনি হায়বা উৎলি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মথংদা রিসার্ছ টিম অদুনা উচিশিং অদুগী তূম্বা কায়হনখি, মসিনা 'রিবাউন্দ' আর ঈ এম স্লীপ (হান্না তূম্বা কায়খিবা অদুবু মেনখৎনবা হেন্না মপাঙ্গল কনবা আর ঈ এম স্লীপ অমা) লাকহনখি। রিবাউন্দ আর ঈ এম স্লীপকী তাঙ্কক মনুং অদুদা ব্রেনদা লৈরম্বা ব্লদ ফ্লো অদু অমুক্কা হেনগৎলকখি, মসিনা ব্লদ ফ্লোগা আর ঈ এম স্লীপকী মপাঙ্গলগগী মরক্তা মরী অমা লৈনৈ হায়বা তাকই। অদুমওইনমক, রিসার্ছরশিংদুনা হায়রিবা এক্সপরিমেন্টশিং অদূমক এদিনোসাইন এ২এ রিসেপ্টরশিং য়াওদবা উচিশিংদা অমুক চথখি, মদুদদি আর ঈ এম স্লীপ মনুংদা ব্লদ ফ্লো হেনগৎলকপগী চাং নেমখি, রিবাউন্দ আর ঈ এম স্লীপ মনুংদা ফাওবা ব্লদ ফ্লো হেনগৎলকপগী চাং অদু অদুম্মক নেমখি। (ঐখোয়না কোফি থক্লবা মতুংদা মীৎ হেন্না শিংগৎহল্লিবা অদু এদিনোসাইন এ২এ রিসেপ্টরশিং অসি ব্লোক তৌবদগীনি)

প্রোফেসর হায়াশিনা হায়, আর ঈ এম স্লীপ মনুংদা ব্রেন মনুংগী ব্লদ ফ্লোদা লাক্লিবা অহোংবশিং অসিগী মনুংদা য়ামদ্রবদা খরদি এদিনোসাইন এ২এ রিসেপ্টরশিংনা থোকহনবা ওইরম্বা য়াই হায়বসি রিজল্টিশিং অসিনা তাকই।

ব্রেনদা ঈগী ঈচেল হন্থরকপা অমসুং আর ঈ এম স্লীপ হন্থরকপগা ব্রেনদা ৱেষ্ট প্রদক্টশিং পৈখৎলকপগী থৌওং য়াওরিবা অলজামর'স দিজিজ দিভেলপ তৌরকপগা মরী লৈনৈ হায়বা ৱাফম অসি লৈবনা, ব্রেনদগী ৱেষ্ট প্রদক্টশিং লৌথোক্নবগীদমক আর ঈ এম স্লীপ মনুংদা ব্রেন কেপিল্লরিশিংদা ব্লদ ফ্লো হেনগৎপা হায়বসি মরু ওইবরা হায়বদু থিজিনবদা পুক্লিং চিংশিন্নিংঙাই ওইবা ৱাফম অমা ওইবা য়াই। হায়রিবা প্রোসেস অসিদা এদিনোসাইন এ২এ রিসেপ্টরশিংগী থৌদাংগী মতাংদা হয়েং তুংদা চথরক্কদবা ইনভেষ্টিগেসনশিংগীদমক হন্দক্কী ষ্টদি অসিনা য়ুম্ফম থোল্লে। মসিনা অলজাইমর'স দিজিজকুম্বা অনাবশিংগী অনৌবা লায়েংশিং শেমগৎপদা য়াম্না চাউরবা লমজিং মৈরা অমা ওইরবা য়ারি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি


### লোকদাউন খরা কোমথেক্লবসু কোভিদ-১৯গী চৈথেং লেহিদ্রিবনা শেন্দোই খোম্বা লোপ্লিখো



কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ খরা শাফরকপদগী অয়ূক-নুংথিলদা থম্লম্বা লোকদাউন লৌথোক্তুনা মহৌশাগী পুন্সিদা খরা হঞ্জিল্লকপগী মমিদি উরে। অদুবু চেকশিন্দবদি য়াদ্রি, মরমদি অহুমশুবা ৱেভ অমুক লাকখিনি হায়নরিবনি। চৈরক অসিদা নোংমগী হাতে-হাতে শুরগা চাজবা মীয়ামদি অদুমক য়াম্না ৱানরি। মরমদি শিন্মিগী থবক খুদিংমক মপুং ফানা ঙসিসু হৌবা নৎত্রি। মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা প্রাইভেট বেঙ্ক অমদি লন্নাই শেন্দোই শান্নরিবা ইচিল-ইনাওশিংনা লৈবাক মীয়ামগী লৈত-লায়রবগী অৱাবশিং অসি খঙবীদুনা শেন্দোই খোম্বা মতম খরগা অমুক লেপ্পীখো। লায়রবা মীয়ামদা অৱাবদা হেন্না অৱাবা পীবিগনু। অদুগা মতাং অসিদা মরু ওইনা হায়জনিংবা ৱাফম অমনা, চেঙ হায়বসি মীওইবা ঐখোয়গীদি নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎশক অমনি। মরম অদুনা চেঙগী এজেন্ট ওইবীরিবশিংনা চেঙ য়েনবদা কার্দ য়াওদে হায়দুনা চেঙ ফংহনবীদবগী থৌওং তৌবীগনু। ৱানরবা মতম অসিদদি মীনুংশিগী মীৎয়েং থম্বীদুনা মীওই খূদিংমক্তা চেঙ ফংহনবীনবা হোৎনবীয়ু। হৌজিক হৌজিক কার্দ পায়দে অমদি অধার লিঙ্ক তৌদে হায়দুনা চেঙ পীবিদ্রিবা অসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা য়েংশিনবীদুনা চেঙ ফংহনবীরবদি অৱাবা মতম অসিদা খজিক্তং ওইরবসু মতেং ওইগনি। মরমদি লৈঙাক হায়বসি লৈবাক অমগী মপি-মপা হায়বদু ওইরিবনি।

❒ দেনি মাইবম, নম্বোল

### ভোটিতা থৱায় য়াওজবা চোংথোক-চোংশিন তৌবশিংনা মীয়ামগী হক মৎনবা হোৎনবিগনু



কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লগনি হায়না পানরিবা ১২শুবা জেনরেল ইলেক্সনগীদমক মাগী মাগী পার্টি খূদিংমক্না অঙম্বা থাক্তা ঙাঙনরি, লাউনরি, অওইবসু ওইদবসু পঙাঙদা ঙাঙনরি। অদুবু অচুম্বা অশেংবদি মীচম মীয়াম্না খঙগদবা ঙাক্তনি। পোলিটিক্সতা খোঙদারবা ভোট লেপ্লবা মীওই অমনা পার্টি অমদগী পার্টি অমদা চোংথোক-চোংশিন তৌদুনা পার্টি অদুগী তুপি অমদি লেংয়ান ফি খূদোল তমদুনা ওক্করি। ৱাফম অসি নাথৈরম্লগা ভোটতা থৱায় য়াওজবা মশাগী ওইজবা থিবা মীওই খরনা চমজরবা মীয়াম্বু চোংথোক-চোংশিন্দা য়াওহন্দুনা লেংয়ান ফি খূদোল তমদুনা মীদিয়াগী থোঙদা মীশিং য়াম্বা তানরিবসি অফবা খুদমদি নত্তে হায়জনিংই। মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা পোলিটিক্স তৌদুনা মীয়ামগী থবক তৌরিবশিংনসু অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা থবক তৌবীদুনা তমজ নিংঙাই ওইবা ওইহনবীয়ু। ইমা লৈবাক্কীনি হায়দুনা ঙাঙলগা থবক্লা উৎপা ঙমদ্রবদি ইমা লৈবাক নুংশিবা মীশক অমনি হায়বদি হায়ররোই। শেন্দোং তানবদি লাই হায়বা য়াই। শেন্দোং ফংহনগদৌরিবা পোৎশক্তু ফজবা ক্বালিটি অমা লৈহনবা চঙই হায়বসি নীংশিংবা ফৈ। মীচম মীয়াম্বু পোলিটিক্সতা চিংশিনবীগনু। মীয়াম্নসু ইশা-ইশাগী রাইটপু লুকমাইদা ঙামোক্নুম খনবীগনু। তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দামিন্নরিবা লমদম অমনি। ফুরুপ খূদিংমক্কী মীতৈ/মৈতৈ হায়বসিনা খ্বাইদগী মীশিং হেল্লি হায়বসু পুম্নমক্না য়ানরবা ৱাফম্নি। অদুবু মতাং অসিদা হায়জনিংবদি মীশিং য়ামখ্রবা মীতৈ/মৈতৈ ঐখোয়না অপীক-অপীকপা ফুরুপ কয়াদগী অফবা তমজনিংঙাই কয়া অমা লৈ হায়বসিসু নীংশিংবীবা ফৈ।

❒ ৱাংখৈরাকপম মাইপাক, নোংমৈবুং

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০২। ০৮। ২০২১ ইং, শগোলশেল, অয়ুক্কী পুং ৭.২২ ফাওবা থৱানগী ২৫ নি পাল্লি, মতুং ২৬নি পানগনি।

মেষ: লৌশিং ফুদোকপা ঙম্বনা চিংনগনু য়েৎনবদা মায়থিবা লৈররোই, থিজিনবগী কান্নবা ফংগনি অমদি মরুপ অফবা ফংজগনি। নরল লৌথোক্লিংবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- হুরানবদৈ চেকশিল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ: মীয়ামগা লৈনবা মরী ফগৎপা, হকচাং নুংঙাইবা অমদি নচা-ননাই ফংজবগী নুংঙাইবা নুমিৎনি। হুরানবা লোয়নবা হৈয়ু, অরোন অথুপ হায়দোক্নু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: নীংবা মপা চাই, পুক্লিং পেন্না অনৌবা থবক পাঙবা ঙমগনি অমদি কান্নজগনি। ইচঙ থৌবা অমদি অশাওবা ফুদোকপগীসু ওইজ-ওইথক ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট: পোরম য়াৎপা, ঙাংবা-শকপা, অরং-অরাক্কী থবক অমদি নক্নবা মীগা থৌপাংমিন্নবা মায় পাক্কনি। অদুবু শাওনবা অমদি য়েৎনবনা মাঙজবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ: শেন্দোং তানবা থবক্তা ঙসিসু কান্নবা নুমিৎনি। খুৎচাও থাবা মতাং চাগনি। মীয়ামগী মতেং শোয়দনা ফংগনি অমদি পল্লম্বা থবক্কী পাউ নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা: অনম তানগনু অমদি নাপল তৌগনু কান্নবা লৈরোই অমদি চাদিং হন্থগনি। নাইতোমদি ৱারেপ লৌগনু। লাইবকতি ফগনি, মীচঙ হেনগৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা: ইমুং-মনুং ৱাতান্নৌ, মতাং চাবদা থৌনা ফুদোকউ, কিগনু। অঙম্বনা চানবীগনি, মীংচৎ তানবা য়াগনি অদুবু হোয়া ফবা অমদি চরাংনবদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না পামশিনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃশ্চিক: নঙগী ওইবা মী অমদি নুংশিবা মরুপ মপাং ফংগনি-মখোয়গা লোয়নবা থবকসু কান্নগনি। ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইগনি, ঙাং-শকপদা তানিংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরুপকী মতেং লৌবা য়াগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

ধনু: নীংবা থুংবতা নত্তনা অনৌবা থৌরম পাঙবসু কান্নগনি। য়েক্নবা লাকশিনবা খরদি ঙল্লসু মীকোক থোংবদি ৱাগনি। অনৌবা মরুপ মপাংদি ফংগনি, অফবনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর: মায় পাক্কনি, নিংবা থুংগনি, ইমুং-মনুংগী ৱা তারগা থৌপাংউ। খন্থরগা পাঙবা থবক খুদিং মায় পাক্কনি। অদুবু ঙক কল্লদি অমদি ফিংলদি ফরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কুম্ভ: মতম মাঙনিংঙাই ওই, চরাংনগনু অমদি হোয়া ফগনু। অদুবু নচা-ননাই/অরং অরাক অমদি তুংগী পোরম শিনবা লাংবদি হৈগনি। মীংচৎ লৈ-পাখৎকনু।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন: হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎকনি অদুনা থৌয়াম পুগনু অমদি অরুবা খন্ন-নৈনবদা চেকশিল্লু। অনৌবা মরুপ মপাং লোয়নবদি ফংগনি অমদি শেল-থুমসু ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পাউ নুংঙাইবা তাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।